
[illegible]



[illegible]



[illegible]



[illegible]

## ঙসিগী রাষি ফল (০৬-০৯-২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** অশাওবা খৎননিংবা লোয়নরগনি। ৱাখল মুন্না খল্লগা থবক পাঙথোক্লবা হোৎনজগনি। চখোক চৎশিন্দা হৈ শিংগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**বৃষঃ** চেকশিন্দ্রবদি তোখাই তাবা, অরানবা তাবা ওইগনগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈ শিংগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি। শান্তি লৈরোই।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**মিথুনঃ** হোৎনজমন কান্নবা, চাওখৎপা ফগৎপা, থবক্তা মায় পাকচবা, মিংচৎ হেনগৎপা, শীংথাবিবদা য়াওবা ওইরগনি। লমতু চৎপা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কর্কটঃ** মরুপ মফম পাক চাওখৎপা, চাংয়েংনবদা মায় পাকচবা, মতেং পীবিবা হেনগৎপা, লুচিংবশিংনা চানবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।জ্ব

**সিংহঃ** শাওদবা তপথবনা অফবা ফল ফংলগনি। শেল ফংবা চৎপা পোৎ অনৌবা লৈবা য়াবা, মিংচৎ হেনগৎপা ওইরগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – চরাংনগনি।

**কন্যাঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, শেন্বা শাবা লৈবা য়াবা ওইরগনি। মকোক ওইবশিং, লমলানবশিংনা চানবিরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**তুলাঃ** পাঙথোকপদা লুনা থোকপা মায় পাল্লগনি। মিংচৎ হেনগৎপা, মতেং পীবিবা য়ামখৎপা, চখোক চৎশিন্দা কান্নবা, শীংথাবিবদা য়াওবা নুমিৎনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃশ্বিকঃ** পূক্নিং হকচাং ৱাখল ফগৎপা, মরুপ মফম চাওখৎপা, চাংয়েংনবদা মায় পাকচবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা ইংনা লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**ধনুঃ** শাওদবা তপথবনা হেন্না ফরগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি। চখোক চৎশিন্দা হৈ শিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– ৱাখল চঙলোই।

**মকরঃ** থৌরমদি মায় পাকচরগনি। শক খঙবিবা হেনগৎপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, মমল য়াম্বা পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা ইংনা লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**কুম্ভঃ** চেকশিন্না হোৎনজরবদি মায় পাকপা, মিংচৎ হেনগৎপা ওইরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। কল্লকপদি য়াল্লগনি। লম চৎপা হৈ শিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল লাঙগনি।

**মীনঃ** হিরম খুদিংমক্তা মায় পাকচবা, শীংথাবিবদা য়াওবা, মতেং পীবিবা য়াম্বা, লুচিংবশিং, লমলানবশিংনা চানবিবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী– নুংশিনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।


[illegible]

**M/S BEE BRICK FIELD**

Wangjing Sabal Checkon Leikai

**HEAVY DISCOUNT**

| Class | Rate | No. Of Bricks | Total Amount | Trns./Labour Charge (Rs.) | Total (Rs.) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st Class | 12.50 | 1,500 | 18,750 | 3,500 | 22,250 |
| | | 2,000 | 25,000 | 3,500 | 28,500 |
| 2nd Class | 12.00 | 1,500 | 18,000 | 3,500 | 21,500 |
| | | 2,000 | 24,000 | 3,500 | 27,500 |
| 1st Reject | 11.00 | 1,500 | 16,500 | 3,500 | 20,000 |
| | | 2,000 | 22,000 | 3,500 | 25,500 |
| Jhamat | 10.00 | 1,500 | 15,000 | 3,500 | 18,500 |
| | | 2,000 | 20,000 | 3,500 | 23,500 |
| 1st P.T. | 9.00 | 1,500 | 13,500 | 3,500 | 17,000 |
| | | 2,000 | 18,000 | 3,500 | 21,500 |
| 2nd P.T. | 8.00 | 1,500 | 12,000 | 3,500 | 15,500 |
| | | 2,000 | 16,000 | 3,500 | 19,500 |
| 3rd Class | 5.50 | 1,500 | 8,250 | 3,500 | 11,750 |
| | | 2,000 | 11,000 | 3,500 | 14,500 |
| 4th Class | 4.00 | 1,500 | 6,000 | 3,500 | 9,500 |
| | | 2,000 | 8,000 | 3,500 | 11,500 |
| 1st Checktek 407 | | | 4,500 | 3,500 | 8,000 |

Please Contact:
7005513073 / 9366988039

SL/Sush/6 Sep/alt


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1071**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 5 | | | | 1 | | | 6 |
| | | 7 | | 6 | 4 | 1 | | |
| | | 4 | | 7 | | 5 | 9 | |
| 2 | | | | 5 | 6 | | | 4 |
| 6 | | | 1 | | 9 | | 7 | |
| 7 | | 1 | | 4 | | | | 9 |
| | 1 | | 9 | | | 4 | 6 | |
| | 9 | 6 | | | 8 | | | 7 |
| | 7 | | 6 | | | | | 1 |

সনা–সুদোকু–১০৭১গী সোল্যুসন লমাই ৭দা

# নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদা ৱাইথৌগী লৈকাই ৫গী মীয়ামদা থক্লবা টৌটিগী ঈশিং ফংহল্লগনি হায়বগী থাজবা পীগদবনি

ৱাইথৌ, সেপ্তেম্বর ০৬ (এসএনএস)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ৱাইথৌগী লৈকাই ৫ দা থক্লবা টৌটিগী ঈশিং নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদা ফংহল্লগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা পীগদবনি। করিগুম্বা থাজবা অসি পীদ্রবদি নেস্নেল হায়ৱে ১০২ থিংবগা লোয়ননা ৱাইথৌ ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট, ৱাইথৌ ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী কমপ্লেক্সসু শো লোনশিল্লগনি হায়না ৱাইথৌ এদুকেটেদ য়ুথ এসোসিয়েসন (দব্লিউ ই ৱাই এ)না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাইথৌ অপূনবা মৈরা পায়বী অমদি দব্লিউ ই ৱাই এনা শীন্দুনা ঙসি নেস্নেল হায়ৱে লম্বী তঙ্খায় থিংদুনা চথখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবা দব্লিউ ই ৱাই এগী ৱাঙাংলোই থিয়াম কিষননা হায়, লমদম অসিদা থক্লবা টৌটিগী ঈশিং ফংদবা লৈকাই লৈরল্লরোই অদুবু ৱাইথৌ পাৎতা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিনা অতোপ অতোপ্পা খুল




অমদি লৈকাই কয়াদা ঈশিং পীরবসু ৱাইথৌগী লৈকাই ৫গী মীয়ামদি ঙসি ফাওবা অফবা টৌটিগী ঈশিং মরিক অমা ফাওবা ফংদনা লৈরি।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৮ দা গভর্ণর অমদি চীফ সেক্রেটরী য়াওনা মরী লৈনবশিংদা ৱাইথৌ মীয়াম্না থক্কবা ঈশিং ফংহল্লু হায়না মেমোরেন্দম পীশিনখিবা লৈখ্রে। অদুবু থবক ওইনা পায়খৎলক্তবদগী খোয়শাওনরবা মীয়ান্না হৌনরুবা তৌদনা থোরল্লগা লম্বী থিংবা অমদি ৱাইথৌ ৱাটর সপ্লাই স্কিম শো লোনশিনবগী থবক চথখিবনি। মদুদা হৌখিবা জুন থা ফাওবগী মনুংদা ঈশিং ফংহনগনি হায়বগী থাজবা পীরকপগা লোয়ননা এম ও য়ু অমা খূৎয়েক পীনদুনা মীয়ামগী খোঙজং অদু হন্দোকখিবনি।

মমাঙ থাগী ২০ দসু মীয়ান্না অমুক ইহৌ হৌরকপদগী পি ঐচ ই দি থৌবাল দিভিজনগী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়ারনা ৱারী শান্নসি হায়রকপদগী চৎলুবদা নৌনা লাকপনা মরম ওইরগা হিরম অসিগী মতাংদা করিগুম্বা অমত্তা খঙবা লৈতে। অদুবু ওগষ্ট ২৫ ফাওবগী মনুংদা পাইপনচিংবা তিংবা হৌরগা ঈশিং পীনবা হোৎনরগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবনি। অদুবু লৈকাই অমখক্কী পাইপ তিংলগা মখা চথখিদ্রে। থৌওং অসি এসেমব্লি মনুংদা মীয়ান্না ইরাং হৌরক্তনবা লাল্লোংনি হায়না লৌদবা ঙমদে। মরম অদুনা নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনদ্রবদি মখা তাবা খোঙজং চথবগা লোয়ননা ৱাইথৌ ৱাটর সপ্লাই স্কিম থিংজিনবা, নেস্নেল হায়ৱে থিংজিনবা অমদি ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী কমপ্লেক্স শো লোনশিনবা নচিংবা খোঙজং কয়া চথনবা শেম শাদুনা লৈরে। মদুদগী থোরকপা অফ–ফত্তা খূদিংমক মণিপুর লৈঙাক অমদি পব্লিক হেল্‌ঠ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা পূগদবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# খা মণিপুর হিন্দুষ্টানি সঙ্গিট মহাবিদ্যলয়া ককচিংগী গেট টুগেটর পাঙথোকখ্রে

ককচিং, সেপ্তেম্বর ০৬ (এসএনএস)ঃ খা মণিপুর হিন্দুষ্টানি সঙ্গিট মহাবিদ্যলয়া ককচিংগী ভেলিদিক্টিরি অমদি কোলেজ অসিদা নৌনা এটমিট তৌরকখ্রবা বি এ মহৈরোইশিংগী গেট টুগেদর থৌরম ঙসি ৱাইরি কোঙোই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ককচিং এ সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা অথোইবা মীথুং, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর ইম্ফালগী ভি সি প্রো. পাউনম গুনিন্দ্রোনা অখন্নবা মীথুং, য়ুনিভর্সিটি অসিগী কোলেজ দিভলপমেন্ট কাউন্সিলগী দিরেক্টর ডা. লৌরেম্বম সুরজিৎনা ইকায় খুম্নবা মীথুং অমদি খা মণিপুর হিন্দুষ্টানি সঙ্গিট মহাবিদ্যলয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম রঞ্জন অমদি প্রিন্সিপাল নোংমাইথেম ইন্দুমুখিনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী মখাদা মায় পাক্লবা মহাবিদ্যলয়া অসিগী মহৈরোইশিংদা শকখঙচে খূৎশিন্নবা অমদি কোলেজ অসিগী মহৈরোইশিংনা নাৎকী ওইবা পুং চোলোম, জগোই ঈশৈ অমদি ইন্সট্রুমেন্টেল পার্ফোমেন্স কয়াসু পীখি হায়রি।

অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা ময়াংলম্বম রামেশ্বর এম এল এনা হায়, হৌজিক মতমদা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী লমদা খম থেংনা চাওখৎলে হায়রবসু ঐখোয়গী ইপা ইপু হাত্তত্তগী লৈজরম্বা ফজখ্রবা ইনাৎ অমসুং চৎনরোল কয়া অসি হুন্দোকখিবা য়ারোই। মরম অসিনা ঐখোয়গী নাৎ অমদি চৎনরোল কয়া অসি মাঙহন্দনা ঙাক্তুনা থন্নবা ঐখোয় খূদিংমক্কী থৌদাং লৈ। ঐখোয়না খঙনা খঙনা ঐখোয়গী ইচা ইশুশিংবু মথোং মরম খঙদবা অমসুং খুদোংথিগদবা তাঙ্কক অমদা থন্নবা কৈদৌঙৈদসু হোৎনরোইদবনি। হৌরক্লিবা মীরোলগীদমক খল্লগা ঙসিগী অনৌবা য়াওলদা অনৌবা লম্বী শেম্বীদুনা মখোয়গী নুংঙাই য়াইফবা খুন্নাই অমদা হিংজহৌনবা হোৎনমিন্নসি।

# পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এসএনএস)ঃ লাইওন্স ক্লব ওফ লৈমরোল ইম্ফালনা শীন্দুনা ইন্টরনেস্নেল পিছ পোষ্টর কন্টেষ্ট ঙসি ইম্ফালগী পাউনা বজারদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ৱুমেন্স ভোলুন্টরি সার্ভিস মণিপুর ব্রাঞ্চকী ৱার্কিং ৱুমেন হোষ্টেলগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কন্টেষ্ট অদুদা এরেনা ওফ স্কুলগী খুন্দ্রাকপম চিংলেম্বীনা অহানবা, মারিয়া মোন্টেশ্বরি স্কুলগী লিপুন নিংথেমচানা অনীশুবা অদুগা নোংপোক মহৈকোলগী সেরাম জেসিকানা অহুমশুবা তাখ্রে। অদুগা কন্সোলেসন প্রাইজগীদমক ৱাংখৈ হায় স্কুলগী কেঐচ চন্দ্র মৈতৈ, মৈপাকপী মেমোরিয়েল একাদেমিগী হুইরেম বন্দনা দেবী অমসুং হেরিটেজ কনভেন্টকী লাইশ্রম হেনথোইবী চনু খনখ্রে হায়রি।

# ওঝা তোম্বীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল আর্ট কোলেজ অমদি ইম্ফাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা খাগেমপল্লিদগী থোইদিংজম তোম্বী সিংহ (৯০)না ঙরাং লৈখিদবদা খুরাইদা লৈবা থোইদিংজম লাইরেম্বী লাইকোলদা পাঙথোকপা মীফম্না অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙখ্রে।

থোইদিংজম শাগৈনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লৈখিদ্রবা অহল ইবুঙোনা আর্টকী লমদা লৌরম্বা থৌদাং কয়া শীংথাবগা লোয়ননা ষ্টেট অমসুং নেস্নেলগী থাক্তা এৱার্দ ১৬ ফংখিববু নৌহৌননা নীংশিংখি। অহল ইবুঙোগী থৱায় মিরেলনা মপুগী নাক্তা ইংনা চিক্লা লৈরম্নবা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা থৌনিজখি হায়না থোইদিংজম শাগৈগী কনভেনর থোইদিংজম বোননা ফোঙদোরক্লি।

# খাঙবোক লমলোং বজারদা সোসিয়েল সার্ভিস হৌখ্রে

থৌবাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এসএনএস)ঃ লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক থাবুমগা মরী লৈননা খাঙবোক্কী টিম ডা. রোমেনকুমারগী মশীং য়াল্লবা নহাশিংনা শরুক য়াদুনা ঙসি খাঙবোক লমলোং বজারদা সোসিয়েল সার্ভিস হৌখ্রে।

খাঙবোক খুঙ্গংগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্যুনিটি ক্লিনলিনেস অমসুং সোসিয়েল সার্ভিস দ্রাইভ হৌদোকপগা মরী লৈননা ডা. রোমেনকুমার খুন্দ্রাকপমনা ফোঙদোকখিবদি লময়ানবা হিজম ইরাবতনা পামজরম্বা ঐখোয়গী ইরমদম লু নান্না থম্বগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিনহন্নবা হৌগৎলক্লিবা নহারোল ৫০০ হেনবনা লমতু শেংদোকপদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবিয়ু। অকোয়বগী মফম লু নান্না থম্বা ঙম্বা মণিপুর ওইহল্লসি।

# কেস অমদা চেন্নবা পেতো মৈতৈ জিরিবাম কৈথেলদগী ফারে

জিরিবাম, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্না মমাঙ চহী ২০২৫গী জুলাই থাদা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২০ (বি)(টু)/৬০(থ্রি)গী মখাদা এফ আই আর চন্দুনা লৌখৎখিবা কেস অমগা মরী লৈননা মীচেন ওইনা লৈখিবা পেতো মৈতৈ ঙসি জিরিবাম পুলিসকী টিম অমনা জিরিবাম কৈথেলগী ফিস মার্কেট মনাক্তগী ফারে হায়রি।

ফারবা খুম্বোংময়ুম পেতো মৈতৈ (৪৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা খেদা মৈতৈ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্লাই পিএসকী মনুংচনবা নোঙাদা অৱাং লৈকাইদগীনি হায়রি। কেস অসিগা মরী লৈননা জিরিবাম পুলিসনা চার্জসিট অমসু মমাঙ চহীগী সেপ্তেম্বর ৩০ দা স্পিসিয়েল জজ (এন দি পি এস) ইম্ফালগী কোর্টতা লানখৎখ্রবনি হায়রি।

# জারিবোন্দা নুপীলাল মেমোরিয়েল শানবা উরেপ তমখ্রে

হৈলাকান্দি, সেপ্তেম্বর ০৬ (এসএনএস)ঃ অসামগী হৈলাকান্দি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা জারিবোন্দা নুপীলাল মেমোরিয়েল শানবা মণিপুরগী রাজ্য সভা মেম্বর আধিকারিময়ুম সর্দা দেবীনা ঙসি উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

থৌরম অদুদা ১২১–হৈলাকান্দি এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ ডা. মিলোন দাস অমদি লমদম অদুগী মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরমগা মরী লৈননা এ সর্দা দেবী এম পিনা হায়, মণিপুরগী পুৱারীদা নুপীলালগী ইহৌ অসি য়াম্না মরু ওইনা লৌনবনা মরম ওইরগা মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স অমা শেমগৎনবা হোৎনবনি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লদুনা জারিবোন্দা শেমগৎকদৌরিবা মেমোরিয়েল অসিনা মণিপুরী নুপীশিংগী থৌনা অমদি কথোকপা অমসুং কলচরগা মরী লৈনবশিংগী মশক নাইবা সিম্বোল ওইনা লৈহৌরগনি।

হৈলাকান্দি এ সিগী এম এল এ ডা. মিলোন দাসনা থৌরাং অসিদা শৌগৎপিবগীদমক অমদি শেমগৎকদবা মেমোরিয়েল অসিগী লম দোনেট তৌবিবা রিটয়ার্দ কর্নেল বিবি সিনহাসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# কংলৈ শৈথারোল অমদি পাম্থোইবী শৈথারোল হায়বসিদা চথরকপা ৱার্কসোপ লোইশিনখ্রে

থৌবাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ পার্ফোমিং এন্ট্রান্সমেন্ট আর্ট এন্দ কলচর ইভোলুসন (পিছ)না শীন্দুনা কংলৈ শৈথারোল অমদি পাম্থোইবী শৈথারোল হায়বা হিরমদা নুমিৎ ১০ নি চূপ্পা চথরকপা ৱার্কসোপ কম প্রদক্সন ঙসি লোইশিনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী সি এম এ টি স্কিম ২০২৫–২৬ কী শেন্থং মখাদা থৌবাল অচৌবা পাখংখোংদা লৈবা পিছকী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৱার্কসোপ কম প্রদক্সন লোইশিনবগী থৌরমদা সঙ্গিট নাটক একাদেমি এৱার্দি পদ্মশ্রী কে সনাথোইবা শর্ম্মনা অথোইবা মীথুং, এ আই আর ইম্ফালগী তোপ গ্রেদ খুনুং ঈশৈ আর্টিষ্ট ইরুংবম পদ্মবতি লৈমানা থৌরম মপু অদুগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরগী দান্স এন্দ ম্যুজিক দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. লাইময়ুম সুবদ্রা দেবীনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুং ওইখিবা পদ্মশ্রী কে সনাথোইবনা হায়, মণিপুর চীংনা কোয়শিনবা লম্বী থোং চথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈরবসু ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা নাৎ, জগোই ঈশৈ অমদি চৎনবী অসিনা মালেমদা ঐখোয়বু মশক তাকপা ঙম্লিবনি। অদুবু হৌজিক্তি অনৌবা টেক্নোলোজি অসিদা ঐখোয়গী ফজখ্রবা নাৎ অমদি চৎনবী অসি মীরোল অসিনা কাওথোকপগুম তৌরকপা অসি লাইবক থিবনি। ঐখোয়গী নাৎ অমসুং চৎনরোল য়োকখৎনবা লৈঙাক্লা অমদি এসোসিয়েসন কয়ানা হোৎনরকপসি নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মাইবী জগোই, কংলৈ শৈথারোল অমদি পাম্থোইবী শৈথারোলনচিংবা নাৎকী জগোই ঈশৈ কয়াসু উৎখি। শরুক য়াখিবশিংদা সার্টিফিকেটসু য়েম্থোকখি হায়রি।

# ৱাংজিং কৈথেলদা পোষ্টর কেম্পেইন হৌদোকখ্রে




থৌবাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এসএনএস)ঃ কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়ার দিলিমিটেসন (জে এফ দি)না চঙশিল্লিবা খোঙজং শৌগৎতুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিংদা লৈবা অরাম্বাই টেঙ্গোল য়ুনিট ৩ না কোনবা খুঙ্গং ১৫ দা চথুগদবা পোষ্টর কেম্পেইন ৱাংজিং কৈথেলদা হৌদোকখ্রে।

কেম্পেইন অদু হৌদোক্লদুনা অরাম্বাই য়ুনিট থ্রিগী লুচিংবা সোইবম কিষননা হায়, এন আর সি অপদেট তৌদ্রিঙৈদা সেন্সস তৌবিগনু হায়বা মীয়ামগী খোল্লাও তাদুনা ষ্টেট এসেমব্লিনা ৱারেপ লৌখিবা অমদি সেন্টর লৈঙাক্লা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা সেন্সসকী থবক য়েথোকখিবা অদু য়াম্না থাগৎনিঙাইনি। অদুবু মীয়ান্না পাম্বা এন আর সি অপদেট তৌবিয়ু হায়বসিদা বেজ ইয়র ১৯৫১ দা ওইহনবিয়ু হায়বা মীয়ামগী অপাম্বা অসিসু ফংহনবিয়ু। মীয়াম্নসু এন আর সি অপদেট তৌগদবনি হায়বা জে এফ দিগী খোঙজং অসি অমত্তা ওইনা শৌগৎমিন্নসি হায়নসু মহাক্না আপিল তৌখি।

বামোন অমুমচাগী পূক্নিং লৌশিং

# নহাক ইখঙ খঙদ্রিবনি

ফাউরবা সাইন্টিস তোমাল অলকা ইদিসনবু নোংমা স্কুল অমদা মহৈরোইশিংদা ৱা ঙাংবিনবা অমসুং পুক্নিং থৌগৎপিনবা হায়জরম্মী। অসুম্না অঙাংশিংগা মতম লেনবা হায়বসি ইদিসনগীসু য়াম্না পামজবা ওইরম্মী। মহাক্না মহৈরোইশিং অদুদা মহাক্না সাইন্সকী লমদা থিজিন–হুমজিনলিবা অমসুং পুথোক্লিবা অনৌবা পোৎশিংগী মতাংদা মরিক চুম্না লীরম্মী। মহৈরোইশিং অদুনসু অদুক চাউখ্রবা সাইন্টিষ্ট অমা মখোয়গী মরক্তা লাক্তুনা মহাক্কী পুন্সিদা থেংনখিবা থৌদোক–ৱাথোক্কী মতাংদা ৱারী লীবিরবা অমসুং পূক্নিং থৌগৎপীরম্বা অদুদা ঙমঙৈ লৈতনা নুংঙাইবা ফাউরম্মী লোয়ননা ৱাহং কয়া হংজরম্মী। মহাক্না মহৈরোই খুদিংমক্না হংলিবা ৱাহং পূন্নমক অদু অমমমতা ওইনা নীংথিনা পাউখুম পীবিরম্মী। মহৈরোই ময়াম অদুগী মরক্তগী অমনা ইদিসনদা হংলম্মী, 'অদোম্না অসুক য়াম্বা লৌশিং অসি করম্না তানশিল্লিবনো?' ইদিসন্না পাউখুমলম্মী, 'মীশিংদা ঐদি করিগুম্বা অমত্তা খঙজদে হায়জবা অদুগা য়ারিবা মখৈ তমশিন্নবা হোৎনবা।'

লৌশিং অসি অহানবদা নোল্লুকপদগী লাকই অদুগা মওং অমা নৎত্রগা অমদা তমশিন্নবা হোৎনবদগী ফংই। মীপুম খূদিংনা মশা অসি করিসু খঙজদ্রিবা মীশক অমনি খল্লগা মতম চুপ্পদা করিগুম্বা অনৌবা খরা তমশিন্নবা হোৎনগদবনি। নহাক নশানা নশাবু খঙলে নৎত্রগা হৈরে খঞ্জবা হৌরকপদা নহাক্কী লৌশিং তানশিনবগী লম্বী ককপা হৌরকলবনি। মতাং অসি সার ইশাক ন্যুতোনগী ৱাহৈ অমা নীংশিংবা য়াই, 'ঐদি সমুদ্র মপানগী লৈঙোই মরক্তা পীল্লবা অঙাং অমনা কুপ্লবা লৈঙোই খুন্দুনা শান্নরিবা অদুবুনি। ইমাঙদা মপান নাইদ্রবা লৌশিংগী সমুদ্রা শন্দোক্তুনা লৈরি।

# মীয়াম থেন্নবা হোৎনবদা সেন্টর লৈঙাক্লা হাউস লিষ্টিং খক্তগী সেন্সস য়েথোকপা য়ারোইঃ সুনিল

মণিপুর, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর মীয়াম থেন্নবা হোৎনবদা হোম মিনিষ্ট্রিনা মচেৎ মকায়গী ওইবা মওংদা হাউস লিষ্টিং খক্তগী সেন্সস য়েথোকপা য়ারোই, এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা মপূং ফানা সেন্সস য়েথোক্কদবনি হায়না জে এফ দিগী ফাইনান্স সেক্রেটরী সুনিল করাম্না ফোঙদোকখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খেকমন অপূনবা লুপ্না শীন্দুনা খেকমন মখা লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা চথখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়ারদুনা সুনিল করাম্না মখা তানা হায়, কুমজা ১৯৫১ না কট ওফ বেজ ইয়ার ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌগনি হায়বগী ৱারেপ হয়েং ফমগদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীফমদা ৱারেপ লৌগদবনি।

ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা সেন্সস তৌবগী মতাং মতম চাদ্রি হায়বসি লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা খঙহনবা নত্তে। লমদম অসিগী মীয়াম্না খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা ইহৌ হৌখিবা অদুনা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা খঙলকপনি।

মীয়াম অমদি জে এফ দিনা লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাক্লিবা এন আর সি অপদেট তৌরবা মতুং সেন্সস তৌবিয়ু হায়বসি সেন্টরগী লুচিংবশিংদা য়ৌহন্নবা হোৎনবদা ষ্টেট লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎখিদে। মীয়ান্না অকনবা প্রেসর কয়া পীবদগী সেন্সস তৌবগী শরুক মচেৎ অমা য়েথোক্লে হায়না ওর্দর অমা থোরকখিবনি। হোম মিনিষ্ট্রিনা থোরক্লিবা ওর্দর অদুনা মীয়ামগী অপেনবদি ওইদ্রি। মীয়ান্না পাল্লিবা এন আর সি হান্না চৎনহল্লবা মতুং সেন্সস তৌগদবনি হায়বা পান্দম অসি ফংদ্রিবা ফাওবা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিনখিগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়,চৎলিবা থা অসিগী ২ দগী হৌখিবা ১২ শুবা ষ্টেট এসেমব্লিগী ৮ শুবা মীফমগী হয়েং অরোইবা নুমিৎতা ১৯৫১ না বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি তৌগনি হায়বগী ৱারেপ লৌব্রা হায়বদু মীয়ান্না ঙাইনরি। লমদম অসিদগী মীতোপ খন্দোকসি য়াদবা লৈঙাক অসিদা য়াওরিবা মিনিষ্টর এম এল এশিংনা মীয়ামগী মায়োক্তা থবক তৌরকপা তারবদি মখোয়বু মীয়ামগী য়েক্লবনি খন্দুনা পামদবা থৌদোক কয়া থোরক্লবা হোৎনগুমসি অমদি লমদম অসিগী মীয়াম অমদি জে এফ দিনা তাল্লিবা দিমান্দ মপূং ফানা ফংদ্রিবা ফাওবা হনবা লৈতনা মখা তানা খোঙজং চঙশিনখিগনি।

# নো এন আর সি, নো সেন্সস হায়বসিদা মোইরাংদা খন্ন–নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

মোইরাং, সেপ্তেম্বর ০৬ (এসএনএস)ঃ জে এফ দিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং শৌগৎলদুনা ঙসি মোইরাং খোইরু মান্দবতা নো এন আর সি, নো সেন্সস হায়বা অসিদা খন্ন–নৈনবগী মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।



এন আর সি দিমান্দ কম্মিটি মোইরাং সব দিভিজন, অমাই পিবা অপূল লূপ কংলৈপাক, অপোকপা মরুপ মীতৈ মরুপ মীতৈ লৈপাক অমসুং লাইনিংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপনা পূন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা জে এফ দিগী সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন এল রতন, অমাই পিবা অপূল লূপ কংলৈপাক্কী সেক্রেটরী লৈশাংথেম মাইনৌ, অপোকপা মরুপ মীতৈ মরুপ মীতৈ লৈপাক্কী লুচিংপুরেল শগোলশেম ইবোচৌবা মঙাং, লাইনিংথৌ সনামহি থৌগল কাঙলূপকী সেক্রেটরী সেঙ্গোই সনাসম, এন আর সি দিমান্দ কম্মিটি মোইরাং সব দিভিজনগী কনভেনর এম লৈমনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

তোঙান তোঙানবা সি এস ও অমসুং মৈরা পায়বী লূপকী লুচিংবা লুচিংবী কয়ানা মখোয় মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লখি। খন্ন–নৈনবা অদুদা অপোকপা মরুপকী প্রসিদেন্ট টি গুলামচাৎনা ফোঙদোকখিবদি দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী ষ্টেট ওইরিবা মণিপুরনা য়েলহৌমী মীয়াম্না পাল্লিবসি এন আর সি অপদেট তৌরগা সেন্সস পাঙথোকপা অদুনি। অদুনা এন আর সি তৌদ্রবদি সেন্সস তৌবিগনু, এন আর সি অপদেট তৌরবা মতুংদা সেন্সস তৌবিয়ু। মদুদা অথিংবা পীরোই।

জে এফ দিগী সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন এল রতন্না ফোঙদোকখিবদি এসেমব্লিদা এম এল এ মিনিষ্টরশিংনা এন আর সিগী মতাংদা লৌরক্লিবা ৱারেপ অদু অমুক্তং রিভিউ তৌরগা বেজ ইয়র হাপ্তুনা খন্নবিয়ু। অদুগা লৌরিবা ৱারেপ অদু অশোয়বা অমত্তা য়াওহন্দনা সেন্ট্রেল লৈঙাক্তা থারগা তকশিনবা য়ানবা হোৎনবিয়ু। মণিপুর লৈঙাক্কী হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্লগা এন আর সি অথুবা মতমদা তৌনবা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা অখন্নবা দেলিগেসন অমা দিল্লিদা চৎলগা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তকশিন্নবা হোৎনবিয়ু।

# মোর্নিং ষ্টার পব্লিক স্কুলদা ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ক্বাক্তা, সেপ্তেম্বর ০৬ (এসএনএস)ঃ হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ফিভম অসিনা শেন্মীৎলোন্দা অৱাবা মায়োক্লরিবা মোইরাং এ সিগী ক্বাক্তা অমসুং অকোয়বদা লৈবা খুঞ্জাশিং অনা লায়েংদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবা ঙসি নোংমগী ওইবা ফ্রি মেদিকেল কেম্প ক্বাক্তা খুমন থোংখোঙদা লৈবা মোর্নিং ষ্টার পব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

মথংগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা মোইরাং এ সিদা মীরেপ ওইনবা শেম শারিবা য়ুনুস খাননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হট্টা টেলিপটি রোদতা লৈবা জে আর হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটকা খূৎশন্নদুনা ফ্রি মেদিকেল কেম্প অদু পাঙথোকপনি।

কেম্প অদুদা গাইনি, সর্জরি অমসুং মেদিসিনগী স্পেসিয়েলিষ্ট ডাক্তর ৩ য়াওনা পূন্না ডাক্তর ১৫গা লোয়ননা জে আর হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটকী টেক্নিসিয়ান, ষ্টাফ নর্স অমসুং ফার্মাসি পূন্না ৪৫ রোম্না শরুক য়াখি। লোয়ননা ক্বাক্তা অমসুং অকোয়বদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী নুপী অঙাং য়াওনা মীওই ১৫০০ হেনবনা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংখি।

সুগর টেষ্ট, অলট্রাসাউন্দ অমসুং ওর্থোগী বোন মিনরেল দেন্সিটোমেত্রি টেষ্টসু তৌবগা লোয়ননা গাইনি, ওর্থো, মেদিসিন, ওপথাল, সর্জরি, পেদিয়াত্রিক, দেন্টেল, দাইটেটিক্স নচিংবসু লায়েংখি হায়রি।

কেম্প অদুগা মরী লৈননা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট য়ুনুস খাননা ফোঙদোকখিবদি মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা তঙদু লৈতাদ্রবা ফিভম অসিনা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন্দা চাউনা চৈথেং পীরক্লি লোয়ননা হেল্‌ঠ সেক্টরদসু মদুগী চৈনা চপ চানা ফংলি। মসিনা মরম ওইরগা ক্বাক্তাগুম্বা বেকৱার্দ ক্লাসেসনা মপূং ওইনা খুন্দাবা, শেল পুথোক্তুনা লায়েংবগী খুদোংচাবা ৱাৎপা মীয়ামগীদমক খল্লগা মেদিকেল কেম্প অসি পাঙথোকপনি।

# লম্বী থিংবগী খোঙজং কোমথোকখ্রে

জিরিবাম, সেপ্তেম্বর ০৬ (এসএনএস)ঃ উচাথোল লম্বী শেম্বীয়ু হায়না উচাথোল পাইওনর ক্লব (য়ু পি সি), মৈরা পায়বী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমসুং মীয়াম্না চঙশিল্লকপা লম্বী থিংবগী খোঙজং য়ানবা অমদগী কোমথোকখ্রে।

রাজ্য সভাগী মেম্বর এ সর্দা দেবীনা ঙরাং নুমিদাং জিরিবামগী সোসিয়েল ৱার্কর এন বুধচন্দ্র অমদি মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং য়াওনা পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নরবা তুংদা লম্বী অসি শেল্লগনি হায়না য়ানবা অমা পুরকপদগী উচাথোল মীয়ামগী অপূনবা মীফম ফল্লবা মতুংদা লম্বী থিংবগী খোঙজং অদু মতম খরগী ওইনা কোমথোকখিবনি হায়রি।

চাকঙাই ৱারী–৩৭

লানঙমদ্রবা থৱায়

অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান




SL/Sush/17 July -Jan-16

SPACE COACHING CENTRE
■ SCIENCE REVISION FOR CLASS X & XII
■ SOCIAL SCIENCE REVISION FOR CLASS X & XII
■ HINDI TUITIONS CLASSES & SPOKEN COURSE

IK BOYS HOSTEL
● NEAT AND CLEAN ROOMS
● PEACEFUL SURROUNDINGS
● HOMELY FOOD

CONTACT - KWAKEITHEL HEINOUKHONGNEMBI
7005285138 / 9615455360

# জেলেনস্কিগী সিজফয়ারগী ৱাফম অদুগী মতুং পুটিননসু নুমিৎ হুন্নি ক্যিবতা এটেক তৌররোই হায়খ্রে





মোস্কো, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সি):
য়ু এস এনভোয়শিং ষ্টেব ৱিটকোফ অমসুং জারেদ কুসনেরগী খোঙচৎ অমগীদমক য়ুক্রেননা থৌরাং তৌখিবগা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা ক্যিবকী মথক্তা রসিয়াগী এটেকশিং নুমিৎ হুন্নি লেপ্পা ওর্দর তৌখ্রে।

মতম খরগী ওইনা এটেক লেপকদবা অদু লান অদু লোইশিন্নবগী পান্দমদা ৱারোল অমগা লোয়ননা য়ুক্রেনদা লাক্লিবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী স্পিসিয়েল এনভোয়শিংগী খোঙচৎ অদুগী মতাংদগী থাংজ নুমিৎতা ক্রেমলিননা লাউথোকখিবনি।

রসিয়ান প্রসিদেন্ট অমসুং কম্মান্দর ইন-চীফ অদুনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী নুমিৎ হুন্নিগীদমক ক্যিবতা এটেক তৌদনবা ওর্দর পীরকখ্রে হায়না ক্রেমলিনগী ৱাঙাংলোই দমিট্রি পেসকোবনা হায়খি।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেনস্কিনা ইরাই নুমিৎতা রসিয়াগা মতম খরগী ওইবা সিজফয়ার অমগী ৱাফম হৌদোরকখিবনি।

ঐখোয়গী নাকল্দগী এয়ার এটেকশিং লৈররোই অমসুং নেগোসিয়েসনশিং অসি পাঙথোক্লবগী মথৌতাবা মতম অদুগীদমক মোস্কোগী এয়ার এটেকশিং য়াওদুনা তুমিন্না লৈদুনা রসিয়ানসু মসিগী চপ মান্ননা তৌরক্কনি হায়না জেলেনস্কিনা সিজফয়ারগী ৱাফম হৌদোক্লদুনা হায়খি।

প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা নোংমাইজিং নুমিৎতা য়ু এস এনভোয়শিং অদুনা ক্যিবতা চৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা থাংজা নুমিৎতা ক্রেমলিনদা য়ুক্রেনদা থোক্লিবা চহী ৪ হেনবগী লান লোইশিন্নবগী মতাংদা এনভোয়শিং অদু ৱারী শান্নবা হৌখ্রে।

মোস্কোদা নখোয়বু ঐহাক্লা তরান্না ওক্লি। অদুবু ফিভম অসি অচম্বা নৎতে হায়না রসিয়ান টিভিনা শন্দোরকপা ফুটেজদা চাওরবা ক্রেমলিন হোল অদুগী মনুংদা এনভোয়শিং অদুদা পুটিননা হায়খি।

অদুবু ঐখোয়না মসিগী মতাংদা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা নখোয় খুদিংমক্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট মিষ্টর ট্রম্পতা মখোয়গী নুংঙাইবগী ৱাশিং অদু তন্নবা হায়বা পাম্মি হায়না পুটিননা হায়খি।

কালেন থা অসিদা মীচমশিং শিবা অমসুং এটেকশিং হেনগৎলকপা উখিবা লালক্তা ৱারী শান্নবগী থবকশিং অসি চত্থগদবনি।

মোস্কোনা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা লৈহৌরিবা শরুকশিং অদু পায়শিনবা পাম্লি হায়না পুটিননা হন্ন-হন্না হায়খি। রসিয়ানা ২০২২দা হৌখিবা লান অসিদা মী লিশিং কয়া শিখ্রে অমসুং মীল্লিয়ন কয়া ময়ুম মকৈ থাদোকহনখ্রে।

হৌজিক্তগীনা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা মোস্কোদা মহাক্লা এটেকশিং লেপ্লগনি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেনস্কিনা হায়খিবগা ক্রেমলিনসু থাংজগী অহিং নোংয়াইদগী মখোয়না ক্যিবতা এটেক তৌররোই হায়খ্রে।

# টেহরাননা য়ু এসকী লানগী জহাজশিংদা টার্গেট তৌখিবা মতুং য়ু এসনা ইরানগী ওইল টেঙ্কর ৩দা এটেকশিং তৌখ্রে



টেহরান, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সি):
ইস্লামিক রিভোলুসনরি গার্দ কোর (আই আর জি সি)না ঈশিং লমশিং পেট্রোলিং তৌরিবা য়ু এস নেভিগী লানগী জহাজ অনিদা বালিষ্টিক মিসাইলশিংনা এটেক তৌরকখিবা মতুং থাংজ নুমিৎতা য়ু এস ফোর্সশিংনসু ইরানগী ক্রুদ ওইল টেঙ্কর ৩দা এটেক তৌখ্রে হায়না য়ু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দনা হায়খ্রে।

য়ু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দ অদুনা মখোয়গী এয়ারক্রাফ কেরিয়র অমসুং গাইদেদ মিসাইল দিষ্ট্রোয়রনা মায় পাক্লা ইরানগী এটেকশিং অদু ঙমহনখিদ্রে হায়খি।

ইরাননা এটেকশিং তৌনবা হোৎনরকখিবা মতুং য়ু এস ফোর্সশিংনা খরগা আইলেন্দ অমসুং জাস্কা মনাক্তা আই আর জি সি ক্রুদ ওইল টেঙ্করশিং এম টি দোনি অমসুং এম টি স্লাক ১ কৌবা অনি থুগাইখ্রে।

পোৎ হাপ্তবা অতোপ্পা টেঙ্কর অমসু গল্ফ ওফ ওমনদা শিজিন্নবা য়াহনখিদ্রে। এটেকশিং অদুদা য়ু এস পার্সোন্নেল অশি অনা থোকখিদে হায়না কম্মান্দ অদুনা হায়খি।

টেঙ্কর ৩ অদু আই আর জি সি অমসুং মসিগী কাংবুশিং ফন্দ পীরিবা দোল্লর মিল্লিয়ন কয়াগী সেদো নেটৱার্ক অমগী শরুক্নি।

আই আর জি সিদা ময়েক শেংনা মেসেজশিংসি খঙহনবা পাম্মি মদুদি করিগুম্বা নখোয়না ঐখোয়গী জহাজ অনিদা কাপ্পল্লবদি ঐখোয়না নখোয়গী ৩ লৌদুনা হেন্না য়াম্বা শেল মাঙহনবনি হায়না য়ু এসকী সেন্ট্রেল কম্মান্দ কাম্মান্দর এদমিরেল ব্রাদ কুপরনা হায়খি।

ওর্গেনাইজেসন ওফ দ পেট্রোলিয়ম এক্সপোর্টিং কন্ট্রিজ (ও পি ই সি)গী মনুংদা ইরাননা ৩শুবা খ্বাইদগী চাওবা প্রদ্যুসরনি অমসুং য়ু এস-ইরান ৱার থোক্লকখিদ্রিঙৈগী মমাঙ ইরানগী ক্রুদ ওইল এক্সপোর্টশিংগী চাদা ৯০গী ট্রান্সিট পোইন্ট ওইরমখিবা খরগ আইলেন্দদা মরুওইনা তাংজৈ।

# ইন্দোনেসিয়াদা মৈগী চীং পোকখায়খ্রে, কিমি ১৫০ লাপ্পদা লৈবা মরুওইবা এয়ারপোর্টকী থবক লেপখ্রে




জাকারটা, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সি):
কিলোমিটর ১৫০ হেন্না লাপ্পদা লৈবা অনাক ক্রকাটাউ মৈগী চীংদগী উৎ কামথোক্লকখিবা মতুং ইন্দোনেসিয়াদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা কোনুং জকারতাগী মপান্দা লৈবা মখোয়গী মরুওইবা ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টকী থবক লেপখ্রে। পেসেঞ্জর লিশিং কয়া পলহনখ্রে।

মাউন্ট অনাক ক্রকাটোৱা থাংজ নুমিৎতা লাভাগী ইচেল অমা চন্থহন্দুনা কিলোমিটর ৭০০ (মাইল ৪৩৫) লাপ্পা পোকখায়বগী মখোল অদু তাখি।

ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা অনৌবা পোকখাইবা অনিসু রেকোর্দ তৌখি হায়না ভোলকেনোলোজি এজেন্সি অদুনা ৱার্নিং তৌখি।

মৈগী চীং অদুদগী কাপখৎলকখিবা উৎ অদু সুকারনো-হত্তা ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টকী অকোয়বা এয়ারস্পেস অদুগী মনুংদা ফংখি। মদুনা মরম ওইদুনা ওথোরিটিজনা ঙসি নোংমাইজিংগী অয়ুক ০১:৩০ দগী ওপরেসন্স সস্পেন্দ তৌখ্রে।

পোকখায়বগী থৌওং অদু হেনগৎলকখিবা মরমদগী এয়ারপোর্ট সস্পেন্সন অদু কোন্না পুং ৪ শাং দোকখি হায়না সোসিয়েল মেদিয়াদা এয়ারপোর্ট অদুনা হায়খি।

এয়ারপোর্ট সস্পেন্স অদুনা পেসেঞ্জ ২২,০০০ হেন্না শোকহনখ্রে। ফ্লাইট ২০৯, মরুওইনা সিঙ্গাপোরদগী পাইথোক-পাইশিন তৌবদা শোকহনখ্রে হায়না ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

অতৈ শোকখিবা ইন্টরনেসনেল রুটশিংগী মনুংদা দোহা, সিদনি, অমসুং কুৱালা লুম্পুর য়াওখি।

য়ামদ্রবদা বালিদা পাইবা দোমেষ্টিক ফ্লাইট ১৬সু কেন্সেল তৌখি হায়না লোকেল এয়ারপোর্ট ওথোরিটিজনা হায়খি।

ৱাহন্থোকতা চাইল্ড ওফ ক্রকটোৱা হায়বা অনাক ক্রকাটোৱানা জাভা অমসুং সুমত্রা ঈথৎশিং তোঙান তোঙান খায়দোক্লিবা ষ্ট্রেট অমগী মনুংদা লৈ।

ভোলকেনিক এক্টিভিটিজনা মরম ওইদুনা নেভিগেসনদা অপনবা পীরকপা য়াবগীদমক ষ্ট্রেট অদু ফাওদুনা চৎপা জহাজশিং হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাই অমসুং মৈগী চীং অদুদগী কিমি ৩গী রেদিয়সনা কোনবা এক্সক্লুজন জোন মনুংদা চংবা অথিংবা থম্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা লোকেল পোর্ট ওথোরিটিজনা হায়খি।

মৈগী চীং অদুগী জাভা নাকন্দা ফুট ২০,০০০ য়ৌনা ৱাংবদা অমসুং সুমাত্রা নকন্দা ফুট ৫০,০০০ ফাওবা য়ৌনা ৱাংবদা উৎ ফংখি হায়না মেটিওরোলোজিকেল এজেন্সি বি এম কেজিনা মখোয়গী ৱেবসাইটতা হায়খি।

ভোলকেনোগী উৎ অদু চামথোকখিনবা নোং চুহন্নবা ক্লাউদ সিদিংগুম্বা খোঙথাংশিং মখোয়না লৌখৎকনি হায়না ঙসি ইন্দোনেসিয়াগী দিজাষ্টর মিটিগেসন এজেন্সি বি এন পি বিনা হায়খি।

করিগুম্বা নোং অদু মতিকচানা কন্না চুরবদি ঙরাংদগীহৌনা অমসুং ঙসি ফাওবা মখা চত্থনা ঐখোয়গী নুংতিগী পুন্সিদা অপনবা পীরিবা মৈগী চীংগী উৎ অদু থুনা চামথোকখিগনি হায়না বি এন পি বি চীফ চুহারিয়ান্টোনা পাউগী কনফরেন্স অমদা হায়খি।

রেকোর্দ্দে হিষ্টরিদা খ্বাইদগী মীশিমীনা থোকপা মৈগী চীং পোকখায়বগী থৌদোকশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা ১৮৮৩দা মীওই ৩৫০০ রোম শিখিবা ক্রকাটোৱা পোকখায়বদা শেমখিবা কেলদেরা অদুগী মনুংদা ১৯২০গী চহীশিংগী মনুংদা সমুদ্রদগী অনাক ক্রকাটাও ফাওগৎলকখিবনি।

মদুগী মতুংদগী জাভা অমসুং সুমাত্রগী তোর্বান পরিংশিংদা সুনামি অমা অমসুং মাগী ক্রেটর শরুক অমা নিংখায়হনখিবা ২০১৮গী পোকখায়বা অমা য়াওনা মৈগী চীং অসি মতম নাইনা পোকখাইখ্রে। মৈগী চীং পোকখায়বগী উৎশিং অসিনা জেট ইঞ্জিনশিং শোকহনবা অমসুং উবা ঙম্বা হন্থহন্দুনা এয়ারক্রাফতা শাথিনা খুদোঙথিবা অমা থোকহল্লি।

# গাজাদা পেলেষ্টিনিয়ানশিংনা অতেক অকায় মখাদগী ফংখিবা মীগী হকচাং ১০০ রোমগী লৈরোন চনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



গাজা, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সি):
গাজা সিটিগী জয়টাউনদা থুগাইদুনা মাঙতাকহনখ্রবা বিল্ডিংশিংগী অতেক অকায় মখাদগী রিকোভর তৌখিবা অঙাং ৬০ য়াওনা মীওই ১০০ রোমগী হকচাংগী শরুকশিং অদুগীদমক অৱাং থংবা গাজাদা পেলেষ্টিনিয়ানশিংনা লৈরোন চনবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

মফম অদুদা অল জজিরাগী করেস্পোন্দন্ট ঘাজি অল-আলৌলাগী মতুং ইন্না লৈরোন চন্নবগীদমক ময়াই থংবা গাজা সিটিদা লৈবা অল মদানি সিমিত্রিদগী ইমুংগী মীওইশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা হকচাংগী শরুকশিং অদু পুরকখি।

ওক্টোবর ২০২৩দগী হৌখিবা গাজাদা পেলেষ্টিনিয়ানশিংগী মথক্তা চত্থবা পাক্তক্লনা হাৎপা ইজরেলগী লান অদুদা থুগাইখিবা য়ুমশিংগী অতেক অকায় মখাদগী সিভিল দিফেন্স ক্রুশিং অমসুং ইমুংগী মীওইশিংনা তৌথদুনা থিবদা চয়োল কয়া চংখি। লৈখিদবা মীওইশিং অদুগী কয়ামরুমদি মীওই ৫৫ শিখ্রবা মালাকা ইমুংগী মরীমতাশিংনি।

ইমুংশিং অদুনা মখোয়গী নুংশিজরবশিং অদুবু নিংথিজনা সিমিত্রিশিংদা লৈরোনচনবা ঙম্নবা শাংলবা মতম অমা ঙাইরকখ্রে। ইমুংগী মীওইশিং অদুগী হকচাংশিং অদু লৈরোন চন্নবগী খুদোঙচাবা অদু ইজরেলি ফোর্সশিংনা লান অদুগী মনুংদা গাজাদা লৈবা সিমিত্রিশিং থুগাইখিবনা ইমুং খুদিংদা ফংখিদে।

হকচাংগী শরুকশিং অদু মপোপ কায়দবা হকচাংশিং মালহন্দুনা কুপশিন্দুনা পুরক্লবসু অয়াম্বনা শুপ্নতগী হকচাং মচেৎশিংনি। মখোয় অদু অখন্ননা অঙাংশিংগী হকচাংশিংদগী ফংবা য়াবা পোৎ-চৈগী লেমহৌখাকশিং অমসুং শরুশিংনি হায়না অল জজিরাগী করেপোন্দেন্ট অদুনা হায়খি।

ইজরেলনা মতম শাংনা খুদুম চন্দুনা থমখিবা মরম্না মফম অদুদগী মপুংফাবা হকচাংশিং অমত্তা ফংদে। গাজাগী সিভিল দিফেন্স সার্ভিসকী মকোক ৰৈদ অল-দাহসননা অল জজিরাদা মহাক্কী টিমশিংনা থিবা খংদ্রিবা হকচাং লিশিং কয়াগীদমক রিকোভরি ওপরেসনশিং চত্থনবা থৌরাংশিং শেমখ্রে হায়খি। অদুবু থবক অদু হেভি মেসিনরি ৱাৎপা মরমদগী পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি হায়খি।

ঐখোয়গী ইক্যুপমেন্ট লৈতে, ঐখোয়গী রেস্ক্যু ৱার্করশিংগীদমক প্রোটেক্টিব ইক্যুপমেন্ট লৈতে। ইক্যুপমেন্ট লৈরবদি অতেক অকায় মখাদগী হৌজিকসু লৈ হায়না থাজনরিবা হকচাং ৮০০০ রোম নুমিৎ ৯০গী মনুংদা মপুং ফানা রিকোভরি তৌবা ঙমগনি হায়না মহাক্লা হায়খি। অদুবু মদুগী মথৌতাবা ইক্যুপমেন্ট অদু গাদা চংবদগী অথিবা থম্লি। মরম অদুনা থবক অসি চহী কয়া মখা চত্থখিবা তারি হায়না মহাক্লা হায়খি।

গাজাগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ওক্টোবর ২০২৩গী মতুংদগী য়ামদ্রবদা পেলেষ্টিনিয়ান ২৫১ হাৎখ্রে অমসুং ১৭৪৫৯২ শোকখ্রে হায়খি।

# ইজরেলি এয়ার এটেকনা লেবাননদা য়ামদ্রবদা ৪ হাৎখ্রে



বৈরুট, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সি):
সিজফয়ার অমা তৌনরবা ফাওবদা ইজরেলগী খ্বাইদগী নৌবা এটেকতা খা থংবা লেবাননদা চত্থবা এয়ার এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা ২০ শোকখ্রে।

এটেকশিং অদু নোংমাইজিংগী নোংঙালমদাইদা হৌখিবনি অমসুং নবাতিয়েহ, অরব সালিম, নাবাটিয়েহ অল- ফৱকা অমসুং কফর রেমনদা চত্থরকখি হায়না লেবাননগী ওফিসিয়েল নেসনেল ন্যুজ এজেন্সি (এন এন এ)না হায়খি।

অরব সারিফদা বিল্ডিং অমগীদমক ইজরেলি ফোর্সশিংনা ফোর্স দিসপ্লোসমেন্ট ওর্দর অমা থোকখিবা মতুং টাউন অদুদা চত্থখিবা এয়ার এটেক অমদা নুপী ২ শিখি অমসুং ৬ শোকখি হায়না এন এন এনা হায়খি।

লেবাননগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা লবটিয়েহ অল-ফৱাকাদা ইজরেলি এয়ার এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ২ শিখ্রে হায়খি।

নবতিয়েহ সিটিদা এয়ার এটেক অমনসু লেবানিজ মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট অমগী মনাও নুপানা মপু ওইবা হিষ্টরিকেল বিল্ডিং অমা থুগাইখ্রে অমসুং অনকপদা লৈবা বিল্ডিং কয়ামরুম অতেক অকায় থোকহনখ্রে।

কফর রেমনদা এয়ার এটেক অমনা টাউন অদুগী লৈখিদ্রবা হান্নগী মেয়র অদুগী য়ুম থুগাইখ্রে। সিটি অদুগী সায়ীদা মশৌমা কার্টেলদা অতোপ্পা এটেক অমনা পানবদা মমাঙগী নুমিৎকী এটেক অমনা পানখিবা মতুং ম্যুনিসিপাল পার্ক অদুগী লেমহৌরিবা শরুক অদু থুগাইখ্রে।

হেজবোল্লাহনা খা থংবা লেবাননদা লৈবা ইজরেলগী ফোর্সশিংদা দ্রোন কাপশিল্লকখিবগী পাউখুমদা মখোয়না এটেকশিং অদু চত্থবনি হায়না ইজরেলনা হায়খি।

# গ্রীক এফ-৪ ফান্টোম ফাইটর জেট এয়ার সোদা ক্রাস তৌখ্রে




এথেন্স, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সি):
এথেন্সকী মপান্দা লৈবা বেজ অমদা পাঙথোকপা এয়ার সো অমদা এফ-৪ ফান্টোম মিলিটরি এয়ারক্রাফ অমা থাংজ নুমিৎতা ক্রাশ তৌখ্রে।

ক্রাশ অদুদা জেট ফাইটর অদুগী পাইলোট ২ অদু শিখ্রে হায়না গ্রীক ন্যুজ এজেন্সি এ এন এনা হায়খ্রে।

গ্রীক এফ-৪ ফান্টোম ফাইটর জেট ক্রাশ তৌখিবগী ফিভমশিং অদুগী মতাংদা য়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু পাইলোটশিং অদু এয়ারক্রাফ অদুদগী ইজেক তৌখিদে হায়না লোকেল মেদিয়ানা হায়খি।

ফাইটর এয়ারক্রাফ অদুনা পাইখৎখিবদা ঙাইরিঙৈ খুদক্তা ৱাংনা পাইখৎপা ঙমখিদে অমসুং ক্রাশ তৌখি হায়না মফম অদুদা লৈখিবা পব্লিক ব্রোদকাষ্টর ই আর টিগী জর্নেলিষ্ট অমনা হায়খি।

ক্রাশ অদুগী মতুং খুদক্তা পোকখায়বা অমা থোকখি। থৌদোক অদু 'এথেন্স ফ্লাইং ৱিক' কৌবা চহীগী থৌরম অদু য়েংলিবা মীওই লিশিং কয়াগী মমাঙদা থোকখিবনি। ক্রাশ অদুনা থোকহনখিবা মৈ চাক অদু মুত্থৎনবা মফম অদুদা ফায়ার এয়ারক্রাফ কয়ামরুম থারকখি হায়না ই আর টিগী পাউনা হায়খি।

এয়ারসো অদু কেন্সেল তৌখ্রে অমসুং এক্সিদেন্ট মফম অদুদা য়েংশিনবা লাক্লবগীদমক দিফেন্স মিনিষ্টর নিকোশ দেনদিয়াসনা থেসালোরিকিগী ইন্টরনেসনেল ফিয়ারদা চৎকদবা খোঙচৎ অমা য়েথোকখ্রে।

### ক্রোসৱার্দ ১১৩৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| E | N | D | S | ■ | D | R | A | T | ■ | A | L | O | H | A |
| R | O | O | T | ■ | A | B | L | E | ■ | R | E | P | E | L |
| O | P | E | R | A | T | I | O | N | ■ | K | A | R | A | T |
| S | E | R | E | N | E | ■ | T | A | N | ■ | S | A | V | E |
| ■ | ■ | ■ | E | D | D | Y | ■ | N | E | I | T | H | E | R |
| R | A | T | T | Y | ■ | E | A | T | E | R | ■ | ■ | ■ | ■ |
| A | L | E | C | ■ | C | A | D | ■ | D | E | C | R | E | E |
| M | O | N | A | ■ | E | R | O | D | E | ■ | R | E | A | L |
| P | E | T | R | O | L | ■ | R | I | D | ■ | E | A | R | L |
| ■ | ■ | ■ | ■ | P | L | A | N | E | ■ | T | A | M | P | A |
| R | E | C | I | T | A | L | ■ | S | I | A | M | ■ | ■ | ■ |
| I | R | A | N | ■ | R | I | M | ■ | T | R | I | P | L | E |
| S | A | U | N | A | ■ | C | A | F | E | T | E | R | I | A |
| E | S | S | E | S | ■ | E | X | A | M | ■ | S | A | S | S |
| S | E | E | R | S | ■ | S | I | R | S | ■ | T | Y | P | E |

SL/Mocha/20-2




# ইজিপ্টসিয়ান টিভি প্রেজেন্টর সারাহা খালিফা অচৌবা দ্রগ কেসতা শিবগী চৈরাক পীনবা কোর্টনা রাই তাখ্রে



কায়রো, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সি):
ইজিপ্টকী কোর্ট অমনা টেলিভিজন প্রজেন্টর সরাহ খালিফা অমসুং অতোপ্পা দিফেন্দেন্ট ১১ অচৌবা দ্রগ ট্রাফিক্কিং অমসুং মেনুফেকচরিং ওপরেসন অমদা য়াওই হায়বগীদমক শিবগী চৈরাক পীনবা রাই তাখ্রে হায়না বি বি সিনা হায়খ্রে।

সেক্যুরিটি অমসুং ক্রাইমগা মরী লৈনবা হিরমশিংদা মরুওইবা মীৎয়েং থম্বা টেলিভিজন প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা 'মিসন ইম্পোসিবল' পুথোকপগীদমক খঙনরবা খালিফা, ৩৯ কোস্মেটিক সর্জরি ক্লিনি অমা অমসুং পার্টিশিং অমসুং থৌরমশিং ওর্গনাইজ তৌবা প্রদক্সন কম্পেনি অমগীসু মপু ওই হায়না এ এফ পিনা হায়খি।

ষ্টেটনা মপু ওইবা অল-অহরমনা খালিফা অমসুং অতৈ দিফেন্দেন্টশিং অদু য়োন্নবগীদমক সিন্থেথিক দ্রগশিং মেনুফেকচর তৌনবা মপান লৈবাক্তগী রো মেটরিয়েলশিং ইম্পোর্ট তৌরকপা ওর্গেনাইজ ক্রিমিনেল গ্রুপ অমদা য়াওবগী মরাল ফংখ্রে হায়খি।

গ্রুপ অদুগী তোঙান তোঙানবা মেম্বর কয়ামরুম মেটরিয়েলশিংগী ইম্পোর্ট তৌবা, দ্রগশিং পুথোকপা অমসুং মখোয় অদু য়েন্থোকপদা য়াওই হায়না প্রোজিক্যুটরশিংনা হায়খি।

ওথোরিটিজনা ইনভেষ্টিগেসনদা নার্কোটিক্স কেজি ৭৫০ হেন্না অমসুং মখোয় অদু মেনুফেক্চর তৌবদা শিজিন্নবা মেটরিয়েলশিং সিজ তৌখি। দ্রগ লেবোরেটরিজ ওইনা শিজিন্নবা এপার্টমেন্ট ২অমসুং লাইসেন্স য়াওদবা নোংমৈ অমসুং মরুপা কোন্ননা ফংখ্রে।




SL/KK/

# জুনিয়র এসিয়া কপ: ইন্দিয়া অমদি জপান দ্রো ওইখ্রে




মোকি, সেপ্তেম্বর ০৬ (এজেন্সি)ঃ

চাইনানা য়ূম্ব ওইদুনা মোকিদা চত্থরিবা ২০২৬ মেন'স জুনিয়র এসিয়া কপকী পুল-এগী ইন্দিয়াগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ইন্দিয়া অমদি জপানগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু গোল ৩-৩দা চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

পুল-এগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াবু গোল ১৪-০দা মায়থিবা পীদুনা ২০২৬ মেন'স জুনিয়র এসিয়া কপ হৌদোকখিবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কী টিমনা ঙসি জপানগা শান্নখিবা মেটচকী অঙনবা মিনিট ৪শুবদা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদুবু মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অমুক্কা হান্না জপানগী মথক্তা প্রেসর পীদুনা শান্নবগা লোয়ননা ১০শুবা মিনিটতা পেনাল্টি কোনরম অমগী খুদোংচাবা লৌদুনা আশু মোরিয়ানা জপানগী মথক্তা অনীশুবা গোল চন্দুনা মেটচ অদু মখা তানা ২-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি। অদুবু থংনবা মিনিট ১১শুবদা জপানগী পেনাল্টি কোনর অমগী খুদোংচাবা লৌদুনা য়ুসিন সাসাকিগী ফজরবা সোটনা ইন্দিয়াগী গোলকিপরবু মায়থিবা পীরক্লগা নেট মনুং তম্না য়ৈশিন্দুনা শোত্থরিবা গোল অমা হন্দোকপা ঙমদুনা অহানবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবদা মেটচ অদু ২-১দা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর হৌবগা ইন্দিয়া অমদি জপানগী টিম অনীনা মেটচ অদুবু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখা তানা অহেনবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাদুনা চৎনবা হোৎনখি। অদুগা জপাননা ইন্দিয়াগী মথক্তা গোল চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখি।

টিম অনীগী দিফেন্সনা চপ মানবা মওংদা মশা মশাগী টিমবু মায়োক্নবা টিমনা গোল অমত্তা চন্নদনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখি। হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা টিম অনীনা মখা তানা গোল চন্নবা ঙম্মদনা ২-১দা লৈখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরদসু ইন্দিয়া অমদি জপাননা মেটচ অদুবু লাকশিন্দুনা শান্ননবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখি। জপানগী মায়কৈদা ফংখিবা পেনাল্টি কোনর অমসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা অহুমশুবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবদা মখা তানা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থারগা গোল ২-১দা লৈখি।

অরোয়বা মরিশুবা ক্বার্টর অদুদা জপানগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী মথক্তা হেন্না প্রেসর পীদুনা শান্নখি। ক্বার্টর অসিগী ৪৮শুবা মিনিটতা জপাননা পেনাল্টি কোনর অমা ফংখিবগা লোয়ননা কেপ্তেন কাজুকি নকামিসিনা অশোয়বা অমত্তা য়াওহন্দনা জপানগী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেটচ অদু ২-২দা লৈহনখি। মেটচকী ৫৯শুবা মিনিটতা জপানগী নকামিসিনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অদু জপাননা ৩-২দা মাঙজিল চৎখি। মেটচ লোয়গদবা সেকেন্দ ৫৯ খক্তমক ঙায়শিল্লক্লবা মতমদা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন অনমোল একাগী নীংথিজরবা সোটনা গোল চন্দুনা মেটচ অদু মায়থিরমগদবদগী কন্দুনা ৩-৩দা দ্রো ওইদুনা লোয়শিনখি।

ইন্দিয়াগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ৮দা কোরিয়াগা শান্নরগনি।

# সেনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ হৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিয়েসন (এম এস কে এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ১০দগী ১৩ ফাওবা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাবগাই ময়াই লৈকাইদা লৈবা ই ৱাই এম দি ও প্লেগ্রাউন্দদা ৭৩শুবা সেনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ পাঙথোক্লগনি হায়না এম এস কে এগী জেনরেল সেক্রেটরী টিঐচ মোতিলালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

৭৩শুবা সেনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ অসিদা নুপাগী ১০না পুল-২ থোক্লা অমদি নুপীগী টিম ৭না পুল-২ থোক্লা খায়দোক্লুনা লীগ কম নোক আউট ফোর্মেটতা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী নুপাগী ওপনিং মেটচ ওইনা পল-বিগী অমদাসকাম অতৌখোং অমসুং দল্লিউ এস দল্লিউ সি ৱাবগাইনা নুংথিল পুং ২দা অমদি নুপীগী ওপনিং মেটচ ওইনা ভেতো লাফুপাৎ তেরা অমসুং সেদোনা নোংমাইখোং ময়াই লৈকাইনা শান্নগনি। নুপা অমসুং নুপীগী ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ১৩দা শান্নগনি।

সেনিয়র মেনগী টিমশিং অদুদি পুল-এদা ভেতো লফুপাৎ তেরা, এস এল ৱাই ও তেকচম, এম পি এস সি মণিপুর পুলিস, এল ৱাই য়ু সি লৌরেম্বম অমসুং নয়া নোংমাইখোংনি।

পুল-বিদা সি সি ৱাইপি এ সি লিলোং, অমদাসকাম অতৌখোং, এম ৱাই সি হৈরোক, দল্লিউ এস দল্লিউ সি ৱাবগাই অমসুং এ এল য়ু সি খুরাই অঙোম লৈকাইনি।

সেনিয়র ৱুমেনগী টিমশিং অদুদি পুল-এদা ভেতো লফুপাৎ তেরা, এস ই দি ও নোংমাইখোং ময়াই লৈকাই অমসুং এন ৱাই দি এ নোংমাইখোং ময়াই লৈকাইনি।

পুল-বিদনা এন এ ৱাই এ নোংমাইখোং অৱাং লৈকাই, এল ৱাই য়ু সি লৌরেম্বম, এস এল ৱাই ও তেকচম অমসুং কে এস দল্লিউ সি কোংপালনি।

### সেনিয়র মেনগী ফিক্সচর

| MATCH NO. | TEAM | VS | TEAM | DATE | TIME | POOL |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 01 | AMDASCAM | VS | WSWC | 10/09/2026 | 2.00 PM | B |
| 02 | VETO | VS | MPSC | DO | - | A |
| 03 | CCYPAC | VS | MYC | DO | - | B |
| 04 | SLYO | VS | LYUC | DO | - | A |
| 05 | AMDASCAM | VS | ALUC | 11/09/2026 | 7 AM | B |
| 06 | VETO | VS | LYUC | DO | - | A |
| 07 | CCYPAC | VS | AMDASCAM | DO | - | B |
| 08 | SLYO | VS | NAYA | DO | - | A |
| 09 | MYC | VS | WSWC | DO | 2 PM | B |
| 10. | MPSC | VS | NAYA | DO | - | A |
| 11. | CCYPAC | VS | WSWC | DO | - | B |
| 12. | VETO | VS | SLYO | DO | - | A |
| 13. | MYC | VS | ALUC | 12/09/2026 | 7 AM | B |
| 14. | LYUC | VS | NAYA | DO | - | A |
| 15 | CCYPAC | VS | ALUC | DO | - | B |
| 16. | VETO | VS | NAYA | DO | - | A |
| 17. | AMDASCAM | VS | MYC | DO | 2 PM | B |
| 18. | SLYO | VS | MPSC | DO | - | A |
| 19. | WSWC | VS | ALUC | DO | - | B |
| 20 | MPSC | VS | LYUC | DO | - | A |
| SEMI FINAL | | | | | | |
| 21. | WINNER OF POOL – A | VS | RUNNER OF POOL – B | 13/09/2026 | 8 AM | |
| 22. | WINNER OF POOL – B | VS | RUNNER OF POOL – A | 13/09/2026 | | |
| FINAL | | | | | | |
| 23. | WINNER OF MATCH NO.21 | VS | WINNER OF MATCH NO.22 | 13/09/2026 | 2 PM | |

### সেনিয়র ৱুমেনগী ফিক্সচর

| MATCH NO. | TEAM | VS | TEAM | DATE | TIME | POOL |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 01 | VETO | VS | SEDO | 10/09/2026 | 2.00 PM | A |
| 02 | SLYO | VS | KSWC | DO | - | B |
| 03 | NAYA | VS | LYUC | DO | - | B |
| 04 | VETO | VS | NYDA | DO | - | A |
| 05 | LYUC | VS | KSWC | 11/09/2026 | 7 AM | B |
| 06 | NAYA | VS | SLYO | DO | - | B |
| 07 | SEDO | VS | NYDA | DO | -2PM | A |
| 08 | NAYA | VS | KSWC | DO | - | B |
| 09 | LYUC | VS | SLYO | DO | - | B |
| SEMI FINAL | | | | | | |
| 10 | WINNER OF POOL - A VS RUNNER OF POOL - B | | | 13/09/2026 | 7 AM | |
| 11 | WINNER OF POOL - B VS RUNNER OF POOL - A | | | DO | - | |
| FINAL MATCH | | | | | | |
| 12 | WINNER OF MATCH NO.10 VS WINNER OF MATCH NO.11 | | | DO | 3PM | |

# লোয়াল ৱুশু একাদমিগী টিচর দে পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ

লোয়েল ৱুশু একাদমি পুংদোংবমগী অহানবা টিচর দে অমদি লম্লাই কেন্দ্রগী এম এল এ কেঐচ ইবোমচানা একাদমি অসিগী নৌনা শেমজিল্লকপা একাদমি খুৎশিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লম্লাই কেন্দ্রগী এম এল এ খোংবানতাবম ইবোমচা, পুংদোংবম জি পিগী চিয়রপার্সন ইরুংবম প্রেম মৈতৈ, পুংদোংবম মৈরা পাসবীগী প্রসিদেন্ট ইরুংবম সনাহনবী লৈমা, ভাইস প্রসিদেন্ট ইরোম শান্তি, পি কে দি সিগী সেক্রেটরী ৱাকাম্বম রোমেন মৈতৈ, ৱাই দি সি এলগী প্রসিদেন্ট খাইদেম চিংখোঙানবানচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ কেঐচ ইবোমচানা হায়, শান্নরোইশিংনা থৱায় য়াওনা হোৎনরবদি মশা খক কন্নবতা নত্তনা কেন্দ্র অসিগী ওইনসু কান্নগনি। মণিপুরগী ওইনা লুপা ক্রোর ১০ রোম চঙনা ষ্টেদিয়ম ১১ শাবদা লম্লাইদা অমা থুংদুনা শাগৎলি। খেলো ইন্দিয়াগী মখাদা স্পোর্টসকী ইন্ফ্রাষ্ট্রক্চর শেমগৎনবা শেল য়াম্না থারকদৌরি। থৌরাং অদুগী মখাদা ইনেদার হোল য়াওনা তোঙান তোঙানবা মশান্নগী একাদমি লিংখৎপগা লোয়ননা ইশা-ইশাগা চান্নবা মশান্নদা মায় পাক্লবা হোৎনশি হায়না মখা তা ফোঙদোকখি।

# থোইদিংজম তোম্বী লৈখিদবদা অম্বানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসন (অম্বা)গী এদভাইজর ওইরম্বা খাগেম্পল্লি পন্থক্তগী থোইদিংজম তোম্বী সিংহনা হৌখিবা থা অসিগী ৫দা লৈখিদবদা অম্বানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

তোম্বীনা অম্বাগী এদভাইজর ওইরম্বগী মথক্তা বোদি বিল্ডিংগী নেসনেল জজসু ওইরমখি। মহাক্না লৈখিদবদা অম্বাগী এদভাইজর অমসুং এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওফিসতা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্লুনা লৈখিদ্রবনা হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুরগী বোদি বিল্ডিংবু চাউখৎনবা হোৎনবদা লৌরমখিবা থৌদাংশিংবু নৌহৌন্না নীংশিংবগা লোয়ননা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

অমদি লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ইংনা চীক্লা লৈরুরনবা থৌনিখিবগা লোয়ননা ইমুং মনুংনা নঙহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী য়ুমলেম্বম সুনন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# এ কে এস এ শান্নরোইশিংগী য়ুনির্ফোম য়েন্থোকখ্রে




থৌবাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি এস এ) ককচিংনা থা অসিগী ১৫দগী পাঙথোক্কদৌরিবা কে কে মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ওল ককচিং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ কে এস এ) ককচিং খুনৌগী শান্নরোইশিংদা য়ুনির্ফোম য়েন্থোকখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ককচিং খুনৌ বোকুল লৈকাইদা লৈবা কেঐচ শ্যামজাইগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট অমদি এসোসিয়েসন অসিমক্কী এদভাইজরি য়াওনা শান্নরোইশিংদা য়ুনিফোর্মশিং য়েন্থোকখি।

ঙসি য়েন্থোকখিবা য়ুনির্ফোম অদু নিংথৌজম ইনফ্রা টেককী প্রোপাইটর নিংথৌজম রামেসনা স্পোন্সর তৌবনি। ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈন্না এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্টনসু শান্নরোইশিংবু পূক্নিং থৌখিবগা লোয়ননা এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী থিংনাম কিরন কুমারনা শান্নরোইশিংনা শান্নবা মতমদা দিসিপ্লিন লৈনা অমদি মালেমদা মশক তাকপা ঙম্বা শান্নরোই অমা ওইনা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ

পূন্সিয়াই বেদমিন্টন ত্রেনিং সেন্তর উরিপোক খুমন্থেম লৈকাইগী শান্নরোই ১৭ ঙসি তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ত্রেনিং সেন্তর অসিনা শীন্দুনা উরিপোক খুমন্থেম লৈকাইদা লৈবা ৱেষ্টর্ন ক্লব আই দল্লিউ সিতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা বেদমিন্ট চেম্পিয়ন্সিপশিংদা মায় পাক্লবা শান্নরোইশিংদা অচম্বা খুদোল তমদুনা পূক্নিং থৌগৎপতা নত্তনা ত্রেনিং সেন্তর অসিগী ওজাশিংবুসু খুদোল তম্না ইকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর পুলিসকী এদিসনেল ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস অমদি মণিপুর ষ্টেট বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. আইকে মুইভাহনা হায়, ত্রেনিং সেন্তরনা চহী নৌরিবা অঙাংশিংবু মখোং শোন্নীবতা নত্তনা নহা ওইরিবা কয়াবু অফবা মতিং লৈবা শান্নরোই অমমম ওইহন্নবা হোৎন্দুনা লাক্লি। মসিনা শান্নরোইশিংগী তুংগী পূন্সিদা চাউনা মায় পাকপা ওইহনবা অমদি মণিপুরবু মালেমদা মশক তাকপা ঙমগনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা বেদমিন্টন ত্রেনিং সেন্তর অসিদা মশান্না অসিগী মচাক মথুমশিংসু মতেং পাংখি।

# থৌবালদা ৬৬ বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা শীন্দুনা কিলোমিটর ১০গী মিনি মরাথোন পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ

*স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট এক্রোস দি নেসন* হায়বা থিমদা দি ৬৬ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ থৌবালনা শীন্দুনা থৌবালগী দি সি ওফিস কমপ্লেক্সতা কিলোমিটর ১০গী মিনি মরাথোন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

পূন্না নহারোল ২৮৪না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মিনি মরাথোন অদু ২১ সি ওপস ৬৬ বট্টালিয়নগী সুরেস যাদবনা লমথাখি।

ওপন মেন'স কেটোগোরি অমসুং ৱুমেন'স ওপন কেটোগোরি অনী থোক্লা খায়দোক্লুনা পাঙথোকখিবা মিনি মরাথোন অসিগী মেন ওপনগী অহানবা পোজিসননা কেঐচ জাবেদ হুসেননা তাদুনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট অমদি ৱুমেন ওপনগী অহানবা পোজিসননা নিংথৌজম দিভিয়া দেবীনা তাদুনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখিবগা লোয়ননা কেটোগোরি অনীমক্কী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখ্রবশিংদা মথংশীৎনা শেলগী মনা লুনা লিশিং ৬ অমসুং লিশিং ৪গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট খুৎশিন্নদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা সুরেস যাদবনা পাউমীশিংদা হায়, ৬৬ বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা থৌবালদা অসিগুম্বা থৌরম চহী খুদিংগী পাঙথোক্লুনা লাক্লি। মমাঙগী চহীদসু ফুটবোল টুর্নামেন্ট শীনখি। কুম্সি চহীদসু মরাথোন ওইনা শীনবগা লোয়ননা ফুটবোল টুর্নামেন্টসু পাঙথোকখিবগনি। থৌরম অসি ষ্টেট অসিদা মরুওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা চাউখৎপা অমসুং শান্তি পুরক্নবগী মপুং ওইবা পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতসু ৪৮বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা শীন্দুনা কিলোমিটর ১০গী মিনি মরাথোন পাঙথোকখ্রে। মরাথোন অদুদা এমদি সাহরুল অহামদনা অহানবা, এমদি অব্দুল কলামনা অনীশুবা অমসুং এমদি অজাদ হুসেননা অহুমশুবা তাদুনা মথংশীৎনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, লিশিং ৬ অমসুং লিশিং ৪গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা ৪৮ বট্টালিয়ন সি আর পি এফকী কম্মান্দেন্তনা, ১৫৬শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা চীফ গেষ্ট, ২০ বট্টালিয়ন সি আর পি এফকী কম্মান্দেন্ত, এদিসনেল এস পি জিরিবাম, অতৈ অতোপ্পা ওফিসার, জাইরোলপোকী ভিলেজ হেদশিং, কাশিম্পুর ভিলেজগী হেদ অমদি অতোপ্পা ভিলেজগী হেদশিংসু শরুক য়াখি।

# মণিপুরগী পেনকাক সিলাট টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়ান পেনকাক সিলাট ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১১দগী ১৩ ফাওবা ত্রিপুরাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৮শুবা নোর্থ ইষ্ট পেনকাক সিলাট চেম্পিয়ন্সিপ অমদি লদাক্কী লেহদা পাঙথোক্কদবা ১০শুবা ফেদরেসন কপ ২০২৬-২৭দা শরুক য়ানবা ষ্টেটকী পেনকাক সিলাট টিম পেনকাক সিলাট এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা লাউথোকখ্রে।

ষ্টেটকী টিমদা য়াওরিবা নুপা পেনকাক সিলাট শান্নরোইশিং অদুদি চহী ৭ মখাগী কেজি ২৫দা লুচিংবা মঙাং, প্রি-টেনগী চহী ১১ মখাগী কেজি ২৫দা অঙোম থোইহেনবা, চহী ১০ মখাগী কেজি ৩৯দা নাওরেম এদিসন, কেজি ২৯দা হুইনিংশুম্বম লমঙানবা, চহী ১১ মখাগী কেজি ৪৩দা খোইরোম সচিন, কেজি ৬১দা মণিমতুম ৱাঙ্খেময়ুম, প্রি-জুনিয়র টেন্দিংদা চহী ১৩গী কেজি ৫৯দা সোরোখাইবম য়োহেনবা, কেজি ৫০দা লনচেনবা মোইরাংথেম, কেজি ৪০দা বিবেকর হৈস্নাম, চহী ১২গী কেজি ৪৭দা অসিম কোরি, চহী ১৪ মখাগী কেজি ৫৩দা খুমন্থেম বিশ্বরজিৎনি।

নুপাগী জুনিয়র টেন্দিংদা চহী ১৩ মখাগী কেজি ৫৩দা থোঙাম প্রেমানন্দ, চহী ১৫গী কেজি ৫৩দা মাইবম পিবাঙম্বা, কেজি ৪৯দা লাইশ্রম লন্থোইবা অমসুং কেজি ৬১দা সোরোখাইবম ললমঙানবা, চহী ১৪গী কেজি ৪৭দা ৱাঙ্খেম মালেমঙানবা, কেজি ৫৮দা নাওরেম কিংসন, কেজি ৫৪দা অঙোম লনচেনবা, চহী ১৬কী কেজি ৫৭দা বিরলা সাপম, কেজি ৬০দা ৱাঙ্খেময়ুম জোন্সননি।

নুপাগী সেনিয়র মেন টেন্দিংদা চহী ১৯গী কেজি ৫৮দা ঙাঙোম লমঙানবা, কেজি ৫৮দা ৱারেপ্পম বিদ্যাসাগর, চহী ২১গী কেজি ৭২দা ৱাঙ্খেময়ুম সদানন্দ অমসুং কেজি ৮৩দা সুমন্ত য়েন্দেম্বমনি।

নুপীমচা চহী ৮গী কেজি ২৫দা লিন্দা এলাংবম, নুপীমচা প্রি-টেন্দিংগী চহী ১০গী কেজি ২৭তা লৈশিলেম্বী ৱাহেংবম, কেজি ৩১দা থৌনাওজম লাংলেনথোই, কেজি ৩৭দা থাজমানবী এলাংবম, চহী ১১গী কেজি ৪৭দা খেলপ্রিয়ারি নিংথৌজমনি।

নুপীগী প্রি-জুনিয়র টেন্দিংদা চহী ১৩গী কেজি ৩৮দা তৌরাংবম দেবিকা, কেজি ৪৪দা অঙোম বিশুতিনি।

নুপীমচা জুনিয়রগী টেন্দিংগী চহী ১৬ মখাগী কেজি ৪৭দা মোইরাংথেম বিদ্যালক্ষ্মি, চহী ১৪গী কেজি ৪৭দা বেবিরোজ নিংথৌজমনি।

ফেদরেসন কপকী সেনিয়রদা সলাম কেনেদি অমসুং হেরোজিৎ পুখ্রম্বমনি।

মণিপুরগী পেনকাক সিলাট টিম অসিদা এন রঞ্জিৎ, এন রোবিন্দ্রো অমসুং সিঐচ জয়কুমারনা ওফিসিয়েল ওইনা শরুক য়াগনি।




# এম পি টি সিনা শীন্দুনা য়ুনিটি রন ২০২৬ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ

সরদার ভল্লাভাই পতেলগী ১৫০শুবা মপোক কুমওন নীংশিংবা ওইনা পাঙ্গৈদা লৈবা মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কোলেজনা লমদম অদুগী ক্লব অমসুং ওর্গনাইজেসন ৬কা খুৎশম্নরগা য়ুনিটি রন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

য়ুনিটি রন অসি ৱাইতোন মনিং লৈকাইগী ৱাই দি এ, ৱাইতোন মমাঙ লৈকাইগী ৱাই দি সি, খুন্দ্রাকপম ময়াই লৈকাইগী এন এস সি, পাঙ্গৈ য়াংদোংগী পি ৱাই ৱাই দি এ অমসুং পাঙ্গৈগী থৌগৈগী রন্নর ২১৩না শরুক য়াদুনা মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কোলেজকী ডাইরেক্টর ইনচার্জ সোরোকখাইবম গৌতম সিংহ (আই পি এস)না লমথাখি।

য়ুনিটি রন অদুগী অহানবা পোজিসননা তেল্লৈবা খুমননা, অনীশুবা পোজিসননা থৌনাওজম সুর্জকান্ত, অহুমশুবা পোজিসননা য়াম্নেম পাইখোম্বনা তাদুনা মথংশীৎনা লুপা লিশিং ৩, লিশিং ২ অমসুং লিশিং ১ ফংখি।

নুপী রন্নর সাই চনু, অর্চনা শরুংবম, এস খৃষ্টি অমসুং সিল্কি মাইবমনা য়ুনিটি রন অসিগী কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা লুপা লিশিং অমমম খুৎশিন্নদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

ঙসিগী থৌরম অদু লমদম অদোমদা পিছ, সেফটি অমসুং সেক্যুরিটি থম্বগা লোয়ননা পুলিস পব্লিক রিলেসন মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা শিনখিবনি হায়না পুলিস ত্রেনিং কোলেজ অসিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কোলেজকী ডাইরেক্টর ইনচার্জ সোরোকখাইবম গৌতম সিংহ, এম পি টি সিগী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর পোলেম মঞ্জিৎ, এমদি অবুল কলাম, এদিসনেল এস পি অমাকচম দেবানন্দ, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ত দল্লিউ বোরমণি, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ত পি নোরেন, মেদিকেল ওফিসার ডা. লী তোম রাজকুমার, অমদি জে সি ও এসকী লো ইন্সট্রক্টর অমসুং এম পি টি সিগী ত্রেন্নিসশিংনা শরুক য়াখি।

# নুমিৎ হুমনি চুপ্পা চত্থগদবা অহানবা লচিট কপকী ওফিসিয়েল পোষ্টর লোঞ্চ তৌখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ

ন্যু দিল্লিদা নুমিৎ হুন্নি চুপ্পা চত্থগদবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অহানবা লচিট কপ ২০২৬কী ওফিসিয়েল পোষ্টর লোঞ্চ তৌখ্রে।

অখিল ভারতিয়া ভিদ্যার্থি পরিষদ (এ বি ভি পি) নোর্থ ইষ্ট সেলগী অরুনোদে অমদি খেলো ভারতনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা ন্যু দিল্লিদা থা অসিগী ৮দগী হৌদুনা টুর্নামেন্ট অসি চত্থগদবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওফিসিয়েল পোষ্টর লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা এ বি ভি পিগী নেসেনল জেনরেল সেক্রেটরী ডা. বিরেন্দ্র সোলাংকি, দুসুগী সেক্রেটরী কুনাল চৌধুরি অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী কোওর্দিনেটর ইন্দ্রকুমার সলামসু শরুক য়াখি।

থা অসিগী ৮দগী হৌদুনা ন্যু দিল্লিদা নুমিৎ ৩নি চুপ্পা চত্থগদবা লচিট কপ অসিদা পুন্না টিম ৩২না শরুক য়াগদৌরি। লৈবাক অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংগী মরক্তা অপুনবগী থৌনা শাগত্তুনা দিসিপ্লিন অমা শেন্নবগী পান্দমদা কপ অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি। মসিদা নত্তনা কপ অসিনা লৈবাক অসিগী টেলেন্ট লৈরবা শান্ন-খোৎনববু থৱায় য়াওজবা নহা কয়া পুথোকপদসু চাউনা মতেং পাংনবগী পান্দম থমদুনা কপ অসি পাঙথোকপনি হায়বগী ৱাখল্লোনশিংসু ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা লৈরি।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com